
# অসাম সিটিজন্সিপকী ৱাফম সেন্সিটিব ওইবা ইস্যু অমনি, মদুদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি : রাজনাথ



ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

অসামগী নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন ফোঙদোকখিবগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা চরাংনবা থোকহনখ্রে। ফীভম অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়, নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্সিপকী অসামদা পায়খৎলিবা থৌশিল অদু সেন্সিটিব ওইবা ইস্যু অমনি। হিরম অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অমদি পোলিটিক্স তৌরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাজনাথ সিংহনা ঙসি লোক সভাদা হায়, সুপ্রীম কোর্টকী য়াথংগী মতুংইন্না অসাম লৈঙাক্লা এন আর সীগী লিষ্ট অদু ফোঙখিবনি। মদুদা সেন্টরগী খুৎ অমত্তা য়াওদে হায়খি।

ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা লৈরিবা তৃণমুল কোংগ্রেস, কোংগ্রেস, সী পি আই অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা এন আর সীগী লিষ্ট ফোঙখিবা অদুবু অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এন আর সীগী লিষ্ট অদুদা অসামদা লৈরিবা মীওই লাখ ৪০ রোমগী মিং য়াওরি। মখোয়শিং অদু অসামদা কাঙলোন চুমদনা চঙশিল্লকপনি হায়না লৌবা যাবগী ফীভমদা লৈরে। এন আর সীগী অনীশুবা দ্রাফ্ট ঙসি গুৱাহাতিদা ফোঙখ্রে। রাজনাথ সিংহনা হায়, অসামদা এন আর সী লৈহন্নবা মতম কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখ্রবনি। মমাঙগী লৈঙাকশিংনা সুপ্রীম কোর্টতা ফোরেন ট্রিব্যুনেল থাঙ্গৎলম্বগা লোয়ননা থৌশিল কয়া পায়খৎলমখি হায়খি।

এন আর সীগী লিষ্ট ফোঙবা অদুদা লৈঙাক্লা খুৎ থিংজিনখিবা লৈখিদে। মদু সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না পাঙথোকখিবনি। নাকল অমরোমদা, ওপোজিসন পার্টিশিংনা ফোঙদোক্লিবা এন আর সীগী লিষ্ট অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না মরাল শিরকপা লৈরি। ওপোজিসন মেম্বরশিংনা অসিগুম্বা সেন্সিটিব ওইরবা ইস্যু অসিদা অকি-অখঙ পোকহন্নবা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্লা করিসু তৌবা লৈতে। পায়খৎলিবা থৌশিল অদু সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না চথবা অমনি। এন আর সীগী ফোঙলিবা লিষ্ট অদুদা য়াওহৌদবা মীওইশিংনা ৱাকৎপা নৎত্রগা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবগী মতম পীরি। অদুগুম্বা লিষ্ট অদুদা মিং য়াওদবা মীওইশিংনা ৱাকৎপা নৎত্রগা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি।

এন আর সীগী ৱাফম অসিদা ওপোজিসন্না মীৎয়েং থমদনবসু হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে। মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু মপুং ফাদে হায়বগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টিশিং ঙসি হাউসতগী মপান থোক্তুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এন আর সীদা এপ্লিকেসন থারকখিবা মীওই ক্রোর ৩.২৯ গী মনুংদা মীওই ক্রোর ২.৮৯ অয়াবা পীখ্রে। মদু ঙসি অয়ুক গুৱাহাতিদা ফোঙখিবা এন আর সীগী লিষ্ট অদুনা তাক্লবনি। ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা অসামদা লৈরিবা মীওই লাখ ৪০ রোমদি মখোয়গী মিং য়াওদে। তৃণমুল কোংগ্রেসনা লোক সভা মীফম য়েথোক্লবা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখি। অদুম ওইনমক স্পিসর সুমিতা মহাজননা ৱাফম অদু লৌখিদে। তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা সুদিপ বন্দোপাধ্যায়না হায়, অসামদা লৈরিবা এন আর সীগী মিংদা য়াওদ্রবা মীওই লাখ ৪০ রোম অদু চহী কয়াগী মমাঙদগী ষ্টেট অদুদা লৈরক্লবনি হায়খি।

# প্রাইম মিনিষ্টরদা কেমিকেল এটেক চথগনি হায়না কিহল্লকখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) গী কন্ট্রোল রুমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা কেমিকেল এটেক চথগনি হায়না কিহল্লকখিবা চহী ২২ রোম শুরবা মীওই অমা মুম্বাইদগী ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা কেমিকেল এটেক চথগনি হায়না কিহল্লকখিবা মীওই অদু সিক্যুরিটি গার্দ ওইনা থবক তৌবা কাশিনাথ মন্দলনি হায়রি। মহাক ময়াই থংবা মুম্বাইগী দি বি মার্ক পুলিসনা ফাগৎখিবনি হায়রি।

মীওই অদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা এন এস জি কন্ট্রোল রুমগী কন্টেক্ট নম্বরদা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা ফোন তৌশিল্লক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা কেমিকেল এটেক চথগনি হায়না কিহল্লকখিবনি। এন এস জিনা ফোন নম্বর অদু ট্রেক তৌবগা লোয়ননা মুম্বাই পুলিসতা পাউ পীরকখি। মদুগী মতুংইন্না মুম্বাই পুলিসনা কিহল্লকখিবা মীওই অদু ফাগৎখিবনি হায়রি।

মুম্বাই পুলিসনা ফোন নম্বর অদু মখা তানা ট্রেক তৌখি। ঝরখন্দদা লৈবা মীওই অদু করম্বা মফমদা লৈরিবগে হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা মীওই অদু মুম্বাই সেন্ট্রেল রেলৱে ষ্টেসনদগী ফাগৎখি। মহাক ষ্টেসন অদুদগী ট্রেন তোংদুনা চৎননবা হোৎনরম্বদগী পুলিসনা ফাগৎখিবনি।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না ফারবা মীওই অদু ৱাহং পাউহং চথবা হৌখ্রে। মন্দল কৌবা মীওই অদুনা পুলিসতা ফোঙদোর-কখিবদা মহাক্কী মরুপ অমা ঝরখন্দদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে। মদুগী মতাংদা মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর উনবা পামখি হায়রি।

ফারবা মীওই অদু কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং পুলিস কষ্টদিদা ঙসি ফাওবা থম্মনবা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি। ঙসি অথেংবদা মীওই অদু অমুক হন্না কোর্টতা পুথোক্কনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। মীওই অদুনা এন এস জিগী কন্ট্রোল রুম নম্বর করম্না খঙলম্লিবনো হায়বদু থিগৎপগী থবক চথরি হায়রি।

## পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ১০ শিখ্রে

লক্ষনৌ, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশতা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ১০ শিখ্রে অদুগা ৭ না লায়কন্নখ্রে। নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক অমা ওইনা লমদম অদুদা শাথিবা ঈচাউগী ফীভম অমা মায়োক্লখি। উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ১০ গী পুন্সি মাংখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং হোন্দোকখিনবা অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চপ চাবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় অমনা ঙসি লক্ষনৌনা ফোঙদোকখিবদা, ঈশিং থুমজিনখ্রবা মফমশিং চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। লোয়ননা খুদোংথিবা নংলবা মফমশিং অদুদা চৎননবা হোৎনরি। উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকন্নবা নোংচুবা অমসুং ঈচাউ থোকপনা মরম ওইরগা মীওই ১০ গী পুন্সি হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মাংখ্রে। মখা তানা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

## রাঞ্চিদা ইমুং অমগী মীওই তরেৎ সুইসাইদ তৌদুনা শিরম্লে, পুলিসনা থিগৎপা হৌখ্রে



রাঞ্চি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিগী বুরারি লমদমদা ইমুং অমগী মীওই ১১ সুইসাইদ তৌদুনা শিখিবগী থৌদোক লৈখ্রবা মতুং চপ মান্নবা মওংদা ঝরখন্দগী কোনুং রাঞ্চিদা ইমুং অমগী মীওই তরেৎ সুইসাইদ তৌদুনা শিরম্লে।

রাঞ্চিগী কানকে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা লৈবা ইমুং অমগী মীওই তরেৎ পুন্না শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওইশিং অদু করি মরমগীদমক শিখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ঝরখন্দগী হজারিবাত্তা চৎলিবা থা অসি হৌরকপদা ইমুং অমগী মীওই তরুক সুইসাইদ তৌদুনা শিখিবসু লৈখ্রবনি।

টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীওইশিং অদু শেলগী থুমগী শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লবনা মরম ওইরগা শিজখিবা ওইগনি হায়রি।

দিল্লিদা ইমুং অমগী মীওই ১১ পুন্না শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রবা মতুং ঝরখন্দদা ইমুং অমগী মীওই পুন্না শিবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। দিল্লিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা মায়কৈ কয়া থোক্লা থিগৎপগী থবক চথরিবনি। মীওইশিং অদু হাৎলম্বরা নৎত্রগা মশানা শিজৱা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরিবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ঙসি ইমুং অমগী মীওই তরেৎ শিরমখিবা অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে। ইমুং অদুগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা চহী ৭৫ শুরবা নরায়ন মখৌরি লাকহৎতুনা হাৎখিবগী মওং উবা ফংই। অদুগা অতোপ্পা মীওইশিং অদুনা ইমুং অদুগী মনুংদা থৌরী য়ান্দুনা শিবা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলে। মরম অমা নৎত্রগা মরম অমনা মীওইশিং অদু কা হেনবা খোঙথাং অদু লৌনবগী মরম ওইহল্লম্বা য়াই। কনাগুম্বা খরনা হকচিনবা খোঙথাং অদু লৌননবা ইনশিল্লম্বা যাবগী ওইথোকপা লৈ। অদুম ওইনমক মীওইশিং অদু করম তৌনা লৈখিদবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

## উত্তর প্রদেশকী উনাওদা লৈবা ফেক্টরি অমদা গ্যাস লিক ওইরকপদা মীওই ৩ শিরে, কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে



রাঞ্চি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী উনাওদা লৈবা ফেক্টরি অমদা থবক শুবা মীওই অহুম হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাসনা মরম ওইরগা ঙসি লৈখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ঙসি ফেক্টরি অদুদা থবক তৌবা মীওইশিং অদুনা টেঙ্কি অমদা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাসশিং থোক্লকপদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

উনাওগী সিংগ্রোসিদা লৈবা দুর্গা ইন্টরনেসনল ফেক্টরিদা মীওই খরনা মচু তৈননবা হোৎনখি। নোজল টেঙ্ক অদুদা শেমজিন-শাজিনবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মচু শংখি। মদুগী মতুং টেঙ্ক অদুদা লৈরম্বা অমোৎপা ঈশিংদগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাসশিং থোক্লকপনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনি। মতম অদুদা মতেং পাংবীনবা কনাসু লৈতবনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদু লৈখিদবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি, অসিস, ভজন লাল অমসুং হারুননি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মীওইশিং অদু খুদোংথিবা থোক্লে হায়বা খঙবদগী হরিরাম অমসুং অখিলেসনা মীওইশিং অদু কন্ননবগীদমক মফম অদুদা চঙশিনখি। মদুদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাসশিং অদুনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদুসু অরুবা ফীভমদা লায়কন্নখ্রে। মখোয় মনাক নকপা হোস্পিটালদা খুদক্তা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা মীয়াম হৌরকখি। ফায়র বৃগেদকী মীওইশিং কৌদুনা টেঙ্কি অদুগী মনুংদগী ৱার্করশিং লৌথোক্লবা হোৎনখি। মীওই মঙামক হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মীওই অহুমদি শিনা পুরক্লে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিনা লাউথোরকখি। অদুগা হরিরাম অমসুং অখিলেসনা হৌজিক লায়েংবগী থবক চথরি হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌননবগীদমক থাখ্রে। অদুগা অরুবা ফীভমদা শোক্লবা মীওইশিং অদুনা মখা তানা হোস্পিটালদা থমদুনা লায়কন্নরি হায়না ইমার্জেন্সি মেদিকেল ওফিসর অমিট কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

## মরাথা কোটা দিমান্দগা মরী লৈননা চহী ৩৫ রোম শুরবা মীওই অমা ট্রেন মমাঙদা চোংশিন্দুনা মথন্তা শিজখ্রে



ঔরঙ্গবাদ, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

মরাথা কাঙলুপতা লৈঙাক্কী থবক চঙবা অমসুং মহৈ-মশিনগী লমদা খুদোংচাবা পীনবা দিমান্দ তৌরকখিবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি চহী ৩৫ রোম শুরবা মীওই অমা অচেনবা ট্রেন অমগী মমাঙদা চোংশিন্দুনা মথন্তা শিজখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদু প্রমোদ জৈসিং হোরে কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মীওই অদুনা ঙরাং ফেসবুক অমসুং ৱাটএপতা মরাথাগী খোঙজং অদুবু শৌগৎতুনা মশা মথন্তা শিজরগনি হায়না থাগৎলম্বা থেংনরে হায়না মুকুন্দৱারি পুলিস ষ্টেসনগী সিনিয়র ইন্সপেক্টর নথা যাদবনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

হোরে কৌবা মীওই অদুনা ঙরাং নুমীদাং ময়াইথংবা মহারাষ্ট্রাগী ঔরঙ্গবাদকী মনুং চনবা মুকুন্দৱারিদা অচেনবা ট্রেন অমগী মমাঙদা চোংশিন্দুনা শিজখিবনি। মরাথা কাঙলুপতা খুদোংচাবা পীবগী খোঙজং অদু শৌগৎতুনা মহাক ঙসি শিজরগনি হায়বা ফেসবুক অমসুং ৱাটএপতা থাগৎলম্বা মেসেজশিং অদু পুলিসনা থেংনখ্রে। মীওই অদু মহারাষ্ট্রা পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী এগজাম থাননবা শেম-শাখিবা মীওই অমনি।

মহাক্কী মরুপ-মপাং কয়ানা অদুগুম্বা হকচিনবা খোঙথাং অদু লৌখৎতনবা হায়জরকখিবগী মেসেজ কয়াসু থেংনখি। অদুম ওইনমক মীওই অদুনা ৱাফমশিং অদু তাদনা হকচিনবা খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাং ঙসি অয়ুক ফংবা ঙম্লে। মীওই অদুনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া মহাক্কী য়ুমদা থোমজি-ন্নরকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী হকচাং হৌজিক ফাওবা শিন্নরকপা লৈত্রি। লৈঙাক্লা হিরম অদুগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি হায়খি।

## ‘এন আর সীগী মতাংদা ওল পার্টি মীটিং কৌগদবনি’

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

অসামদা নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন (এন আর সী) গী থৌশিল পায়খৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা ওল পোলিটিকেল পার্টি মীটিং কৌদুনা খন্নগদবনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমত্তা লেমহৌদনবা থৌশিল পায়খৎকদবনি হায়না কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় আনন্দ শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে। এন আর সীগী থৌশিল অদুদা পোলিটিক্সকী ওইবা খুৎ চঙলোই-দবনি। লৈঙাক্লা খুদক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা মীফম কৌগদবনি। লোয়ননা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নগদবনি হায়খি। লুচিংবা অদুনা হায়, লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং থৌশিল অদুনা কান্থোক্তুনা থমহল্লোইদবনি। মদুতা নত্তনা য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদসু খুদোংচাদবা থোকহল্লোইদবনি। য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

## সিক্কিমগী নুপীমচা অমনা রিএলিটি সোগী দান্সতা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা লৌখ্রে



গাংতোক, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

মুম্বাইদা পাঙথোকপা রিএলিটি টিভিগী দান্স কম্পিটিসন্দা হায় ফেভর হায়না মিংথোনবা জগোয় উৎতুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অদু ফংবা ঙমখ্রে। নিশা রসাইলি কৌবী চহী ২৬ লোম শুরবী নুপীমচা অদু দিল্লিদা লৈবা নেপালি দান্সর অমনি।

নুপীমচা অদুনা লুপা লাখ ১০ গী কেস প্রাইজ ফংবগা লোয়ননা জি নেটৱার্কতা চহী ২ থবক তৌনবগী কন্ট্রেক্টসু ফংবা ঙমখ্রে। নুপীমচা অদুনা দিল্লিদগী ওদিসন অদু য়াওবগা লোয়ননা খনগৎলবা মীওই ৪৫ গী মনুংদা অহানবা ওইনা য়াওবা ঙমখি। অহানবা ওদিসন অদুদা মীওই ২০০ হেন্না লাকপগা লোয়ননা চাংদম্নখি।

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৭ তা পাঙথোকখিবা ওদিসন অদুদা খনগৎলবা মীওইশিংগী মনুংদা মহাক ১৯ শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখি। মথং মথং চাংদম্নবগী থৌরমশিংদা শরুক য়াখি। মার্চ ২০ দা পাঙথোকখিবা থৌরমদসু মহাক মায় পাক্লা চঙলকপা ঙমখি। লোয়ননা গ্রান্দ ফাইনেল য়ৌরকখি। গ্রান্দ ফাইনেলদা অতোপ্পা কুপল তরুক্তা লোয়ননা চাংদম্নবদা মহাক্লা ৱিন্নর ওইরে হায়না লাউথো-রকখি। লোয়ননা পব্লিক ভোটিংদসু চাউনা ভোট মশিং ফংবা ঙমখি।

সো অদু ৱোল্লিৱুদকী ষ্টার লারাদত্তা, ইসাগুপ্তা, দিরেক্টর-কোরিওগ্রাফর অহম্মেদ খাননচিংবা শরুকাইরবা মীওই কয়ানা জুরি মেম্বর ওইখি। মালেমগী থাক্তা কোরিওগ্রাফর ওইনা ন্যু য়োর্কতা থবকতৌরিবা দনা এলেক্সাসু জুরি মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা দান্সরশিংগা চাংদম্নখি। রিএলিটি সো অদুদা সলমান য়ুসুপখানগী ঈশৈ অমদা নুপীমচা অদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা রিএলিটি সোগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অদু ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।

## জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেম্লুবা অদু হূ থকপগা মান্নে : মহেবুবা মুফ্‌টি



শ্রীনগর, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা বি জে পিগা লোয়ননা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেম্লুবা অদু হূ থকপগা মান্নে হায়না পিপলস দিমোক্রেটিক পার্টিগী লুচিংবী মহেবুবা মুফ্‌টিনা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবী অদুনা হায়, ষ্টেট অদুদা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতম অদুদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। মহাক্কী অপোকপা মুফ্‌টি অহম্মদ সায়িদনা চুংশিন্ননবগীদমক পার্টি খনগদবনি। ৱাখল্লোন মান্নবা হায়বদু অফবা চুংশিন্নবা অমা ওইগনি হায়বা ৱাফম অদু নীংশিংলকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অতল বিহারী পাজপায়িগী মতমদা ষ্টেট অদুদা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈখি। মদুগী মতুং অনীরকশুবা ওইনা পি দি পি অমসুং বি জে পি চুংশিন্নদুনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা লৈঙাক শেমখিবনি। বাসপায়গী মতমদা অফবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা ওইখিবা অদু য়েংলগা হন্দকসু বি জে পিগা চুংশিন্ননবা ফিরেপ লৌদুনা লৈঙাক শেমখিবনি। মদু হূ থকপগা মান্নরে। ষ্টেট অদুদা চহী ২ রোম চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈখিবা অদুদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি হায়রি।

বি জে পিনা লৈঙাক শৌগৎপা তোকখ্রবা মতুং ষ্টেট অদুদা হৌজিকসু গভর্ণর রুল লৈরি। মহাক্লা ফম থাদোকখ্রবা মতুং গভর্ণরস রুল লাকপগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা তং-তাদবা ফীভম অমা মায়োক্লরি। ষ্টেট অদুদা সেপরেটিষ্টশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা অমসুং নুঙ লংশিল্লকপগী থৌদোক কয়া থোকখিবা অদু য়েংলগা বি জে পিনা লৈঙাক অদু শৌগৎপা তোক্লবা ৱারেপ লৌখি। সেন্টরগী ৱারেপ অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। মখোয়না রামজানগী মতমদা এন্টি টেরর ওপরেসন চথবা লেপখিবনি হায়রি।

## গুরুগ্রামদা লৈবা বার ১০ প্রোষ্টিট্যুসন চথে হায়বগী মরাল শিবগা লোয়ননা থিংজিনখ্রে, লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শিখ্রে



গুরুগ্রাম, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

গুরুগ্রামগী এন জি রোদতা লৈবা বার অমসুং পব ১০ প্রোষ্টিট্যুসন চথবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তে হায়বগী মরালদা থিংজিনখ্রে লোয়ননা মখোয়দা পীবা নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেটসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৱিদ্রো তৌখ্রে।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না বার অমসুং পবশিং অদু প্রোষ্টিট্যুসনগী খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অমা ওইনা শীজিন্নরে হায়বা চপ চাবা পাউ ফংবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংদা চপ চাবা থবক লৌখৎখিবনি। গুরুগ্রাম দেপ্যুটি কম্মিস্নার বিনৈ প্রতাপ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা, অদুগুম্বা বার অমসুং পবশিং অদু থিংজিন্নবা লমদম অদুগী মীয়াম্না শৌগৎলকখি। মীয়ামগী ৱাকৎ মতুংইন্না ওথোরিটিনা চপ চাবা থবক অদু লৌখৎখি।

লো কায়বা মওংদা চলাইবা অমসুং প্রোষ্টিট্যুসনগী মরুওইবা মফম অমা ওইরে হায়না মরাল শিরিবা বার অমসুং পবশিং অদুগী মথক্তা করম্বা এক্সন লৌখৎকদগে হায়বা চপ চানা খঙদ্রি। অদুম ওইনমক মখোয়গী মথক্তা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

অদুগুম্বা বারশিং অদুদা রেইদ চথবদা লমদম অদুগী মীয়াম্না অচৌবা মতেং পীরকখি। লোয়ননা অদুগুম্বা থৌশিল অদু পায়খৎপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি হায়না হরিয়ানা পব্লিক ৱার্ক্স মিনিষ্টর রাও নর্বির সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়ানা বার অমসুং পবশিং অদুদা ৱাখল য়াওদবা থৌওং কয়া চথরে হায়না ৱাকৎলকপা কয়া লৈখ্রে। মখোয় নুমীদাংগী পুং ৮ গী মতুংদদি য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমদ্রে। প্রোষ্টিট্যুসন য়াওনা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং কয়া চথরকপনা লমদম অদুগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না ৱাকৎলকপা লৈখি।

নাকল অমরোমদা, বার অমসুং পবশিংগী মপু অমদি এমপ্লোয়ীশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎলিবা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়দা পীবা লাইসেন্স অদু ককথৎখিবগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লমখিবসু লৈতে হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।